# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-16

**(Sea Level Change)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) চাওথোই-প্রোফেসার (২) পোইরৈঙানবা-পি.জি. ষ্টুদেন্ট
(২) সনামচা-পোইরৈঙানবগী মমান্নবা (পি.জি. ষ্টুদেন্ট)

নুপী:- (১) মেমচা-চাওথোইগী নুপী
(২) লীক্লাই-চাওথোইগী মচানুপী।

(মতম:- অয়ুক, মফম:- চাওথোইগী য়ুম, হুইনা খোঙবগী মখোল)

পোইরৈঙানবা :- সনামচা ! সিদা উরিবা বিল্ডিং অচৌবসি ওইরমাল্লে সার চাউথোইহোয়গী য়ুমসে।

সনামচা :- চুম্বু চুল্লবজাৎলা, পোইরৈঙানবা ! ঙসাই লম্বীদা মীনা তাক্লকপদুবু ... য়োৎকি গেট অচৌবা, অশংবা মচু তৈবা অমা লৈরক মচীন হেক হায়জিনবগা থেংনগনি, মদু সার চাওথোইহোয়গী য়ুমনি হায়রকপনি...। উম ! মীনা তাক্লকপদুগা হায়রদি চুমদি চুমদৌবমাল্লে।

পোইরৈঙানবা :- হোয় ! সিগী য়ুমসি শোয়দনা ওইরল্লগনি, এ ! গেটসিদি লোল্লিনা মীসু অমতা লৈবা উদে কমাই তৌনি, হেক্তা কৌরগা য়েংঙসিরা?

সনামচা :- পোইরৈঙানবা ! গেটসিদা ইরিসে য়েংঙুনে ... বিৱেয়ার ওফ দোগ... হুইসু লৈমাল্লে, ঐদি হুইদি য়াম হৈনদে, তল্লি, হল্লসিরা ঐখোয়বো।

পোইরৈঙানবা :- হেরা নুপা মান্দবা, সারনা লাকউ হায়বগী লাকপনি, সার উন্নদনা কমাই হন্দোইনো, ঐ কৌগেসে... হো য়ুমসিবু মী লৈবীবরো, কনা কনা লৈবিগে, ৱা অমতা হংজগেবা ... হো মী লৈবিবরো?

সনামচা :- (হুই কন্না খোঙলগা চেন্থোরকপা) ঐনা হায়দরা, হল্লসি হায়দনা, মী থোরকপগী মহুৎতা হুই ওইনা থোরক্লে... সে ফরৈনি লাকও চৎসি লাকও, হল্লসি হায়বা।

পোইরৈঙানবা :- অস! ভাই নঙসিমা ওন্থোকপা হায়দুনি, সে ঙাইখো, হুই থোরক্লগা কৈদৌরগে, হুই মাসু অদুম খোঙফম থোকপগী খোঙজবনি, খোঙগে খোঙজসনুসে ঐ অমুক্কা হৌনা কৌগেসে... হো মী লৈবিবরো... কনা কনা লৈগে... ৱা অমতা হংজগে।

লীক্লাই :- (ইমুংদগী) কনা কনানো মপান্দা পংকৌদা কৌরিসিবো, মীনা খুমদ্রবদি কোক হেক চৎখিগে হায়দে, ওন্থোকপা হায়দুনি পংকৌদা কৌই তানিংদবনা লোইরে।

পোইরৈঙানবা :- (গেট নোম্বা) হো কনা কনা লৈগে... য়ুমসিবু কনামতা লৈবিদবরো ... ৰা অমতা হায়জগে তৌবনে।

সনামচা :- পোইরৈঙানবা ! লাকও হল্লসি হায়বনে, কনামতা লৈতবমাল্লে খুমদ্রিসিনদি চৎলসিবা, হোরেল আ য়ুনিভর্সিটিদা ওইনা সারদু উন্নরসি হায়বা।

পোইরৈঙানবা :- সারনা মখোয়গী য়ুমদা লাকউ, অরুবা ৰা তান্নগদবা লৈ হায়রকইদুদি, ফোন তৌরগা হংসি হায়রসু সারগী অনৌবা ফোন নম্বরদুসু খঙদে, হান্নগী নম্বরদুদি ফোন চৎতেনে, অস ওন্থোকপা হায়বদুনি ঙসিসে।

সনামচা :- ফরে থোকঅবা অমা লাকচরনি, ঐ অমুক কৌরগা য়েংগেসে... য়ুমসিবু মী লৈবিবরো... হো মী লৈবিবরো কৈনোমতা হংজগেবা।

লীক্লাই :- (শাওনা) হে নখোয় কনা কনানো? ঙসাইদগী গেট মনাকসিদা লেপ্লগা পংকৌদা কৌরিসি করিগীনো, মীনা খুমদ্রদি কোক চৎখিবা য়াদরো।

পোইরৈঙানবা :- য়ুমসিবু সার চাওথোইহোয়গী য়ুম ওইবিরবরা?

লীক্লাই :- চাওথোই হায়দি কনা, স্বাইদা চাওথোই কৌবা মী মরি মঙা লৈ, করম্বা চাওথোইনো নোয়না হংঙীসে (উশিৎতনা হায়বা)।

সনামচা :- য়ুনিভর্সিটিগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টতা প্রোফেসার ওইবা সার চাওথোইবুনি ঐখোয়না হংজরিবসে।

লীক্লাই :- অদু ঙসাইনা ফজনা হায়বা য়াদরো, য়ুমবুদি মানি অদো নোয় সিদা কৈদৌবা লাকপনো, করিগীনো।

পোইরৈঙানবা :- সারনা লাকউ হায়বগী লাকচবনি ঐখোয়দি, য়ারদি সার অমুক্তা উন্নজগে।

লীক্লাই :- নোয়গী সারদো হৌজিক লৈতে, থবক চৎথোকখি, কোন্না লাকউ।

সনামচা :- কয়াম কুইরক্কদবনো, কদাইৰাইদা চৎখিবনো, ঐখোয় ঙহাক সার হল্লকপা ঙাইজখিগে।

লীক্লাই :- নোয়না ঙায়গে হায়রগনা গেট মনাক্তুদা লেপ্লগা অদুম ঙাইহৌরো, কয়াম কুইরক্কদবনো হায়বসু ঐদি খঙদে, মীনা থবক চৎখি হায়রমক্তদা পংহংদা হংঙি করি মীশিংনো খঙদে নোয়না থোকপা অদুম ঙাইজহৌরো (চঙখিবা)।

পোইরৈঙানবা :- করি লৈশাবীনো অসিবো, মওং অমা ইতৌ তৌই, ৰাঙাং শঙাংসু কৈনোমা ইতৌ তৌই, কোক বেরা খরা লৈজাৎলা।

সনামচা :- খঙদে, অসিবু সারহোয়গী কনা ওইজাৎনো, মশক মতৌদি য়েংবদা তইং-তইং গ্যান য়াম্না লৈবীগসু মাল্লি, ঙাংথোক শক্তোরকপদদি মী য়াম উশিৎতে, ফরে করিদি উপাই লৈরি মীগী গেট ময়াসিদা অদুমক লেপ্লগা লৈবা হায়বদুদা তারেনে ঙসিদি।

| | | |
|---|---|---|
| পোইরৈঙানবা | :- | নুংশানগা নুংশা শাগৎলকপনে, ঙসিদি নুংঙাইদৌরি মীগী গেট ময়াসিদা চরা হেনবমখৈ লেপতৌরিসে (গাড়ী অমা থৌজিল্লকপা)। এ ! গাড়ী অমা লাকইসিবো সারগী গাড়ী নত্রা? |
| সনামচা | :- | উম মানি, ৰারসু ৰানা ঙহাক ঙাইবগী মহৈ ফাওবদি ফংদোরেহে। |
| চাওথোই | :- | হায় নবানিদি গেট ময়াদুদা অদুম লেপ্তুনা লৈরদি কৈদৌরে, মনুংদা চংঙগা ফল্লম্বা য়াদরো, ইবেম্মা... লীক্লাই গেট হাংদোক্লুরো লাকওনে, নঙবু কৈদৌরিগে (গাড়ীগী হোরন্ কন্না খোঙবা)। |
| মেমচা | :- | তাদ্রবরা করিনো মসিগী নুপমীমচাসিবো... ইবেম্মা ... লীক্লাই কৈদৌরগে নঙবো? |
| লীক্লাই | :- | (থোরকপা গেট হাংবা) এ ! য়াম থুনা হল্লকইনা, ঐদি ইমাগা বাবাগা হল্লকখিদৌ মান্দে খন্দুনা আ মথক্কী কাদা ঈশৈ তা লৈথোকউবা। |
| মেমচা | :- | নঙবু মী লাকইসিবু কৌশিল্লগা ফজনা ইমুংদা ফমহনবা য়াদবরো গেটসিদা অদুম লেপফল্লগা থল্লমলিসিবো। |
| লীক্লাই | :- | কৈনো মশক-মশাসু খঙদবা মী লাকঅসু ঐবু ইমুংদা হেক্তা কৌশিল্লগা ফমহনগদরো, ইমানা হেন্না ঙাওখরে (শাওরি শাওরি ঙাঙবা)। |
| চাওথোই | :- | (গাড়ী থৌজিনবা) লাকও লাকও ইমুংদা চংঙসি লাকও, নোয় অনিদি ঐবু ঙাইবদা ওন্থোক্লা ৰারল্লগনি। |
| মেমচা | :- | ইবুংঙো চংঙকও চংঙকও, করিমতা হঙ্গৈইরুগনু, নবানিগী মরমদা নোয় সারনা তম্বদগী ঐদি নখোয়গী মরমদা হান্না লোইনা খঙলে, নঙনা সনামচা অদুগা ইবুংঙোসিনা পোইরৈঙানবা, চুম্মীকো। |
| সনামচা | :- | অহোয় চুম্মী মেদাম, অদো ঐখোয় অনিবু কৌবীববু করি মরমগী ওইরবনো সার। |
| চাওথোই | :- | মেমচা ! চা হাওনা অমুক্তা লোল্লুকউসে, চা গ্লাস অমমমতং হান্না থকমীন্নখিগে। |
| মেমচা | :- | হোয় হোয় লোল্লক্কে, ইবুংঙো নোয় ঙহাক নোয় সারগা ৰারী শারম্মুকো, ইবেম্মা লীক্লাই লাকও চা লোল্লুসি লাকও। |
| লীক্লাই | :- | হুম, ইমানা লোনদৌদু অদুম লোল্লুচো ঐঙোন্দা অমুক হায়রকত্রসু, ঐদি মমাংগী ইনেহোয়দা চাক চাবা চৎলে, ইমাহোয়না থোকপা অদুম তৌজহৌরো ঐগী চাক্কা অমতা হাপ্পীরুরনুকো (চৎখিবা)। |
| মেমচা | :- | ওন্থোকপা নুপীমচানিদকো, করমকান্দা খোংগুন তারক্কদৌবনো খঙদ্রে তৌরিসে, মতোমতা পোকই হায়দুনা খরা লুনা তৌরুবদগী নাও চাওরেনে তৌরিসে। |

চাওথোই :- নঙসু অমুক ঙাঙদুনা লৈদৌ শরুক চাদু কোক লোনলকও (মেমচা চঙখিবা)। সনামচা... পোইরৈঙানবা... সারনা ঙসি নবানিবু ঐগী য়ুমদা কৌরিবসিগী মরমদি অতৈ করিসু নৎতে, ঐনা নখোয় অনিদগী তুংগী আশা কয়া অমা তৌরি, নবান্নি জিওগ্রাফিদা মষ্টরসু লোইগদৌরিবনিনা ঐগী গাইদেন্স মখাদা রিছার্চ তৌথদুনা ঐগী মেজর প্রোজেক্ট অমা তৌগদৌরিবা অসিদা নবানিনা ঐবু এসিষ্ট তৌদুনা ইতেং খরা পাংঙু হায়গে হায়দুনা কৌবনি।

পোইরৈঙানবা :- সারনা তাকপীরিবা ৱাফমদু ঐখোয়গীদি য়াম্না লাইবক ফবনি অদো সারগী প্রোজেক্টতুবু করি মতাংদা তৌগদবা ওইরবনো?

চাওথোই :- হৌজিক মালেম অসিদা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খলদা অহোংবা অকায়বা কয়া অমা থোরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় ৱাংখৎলক্তুনা সমুদ্র মপালদা লৈবা মীওই কয়াগী পুন্সিদা পীরকপা চৈথেংগী মরমদা থীজিনগদবনি।

সনামচা :- অদুদি সার, ঐখোয় সমুদ্রগী মফম অয়াম্বদা কোইনা চৎতুনা থিজিনবগী থবক থৌরমশিং পাংথোকপা তাবনিকো।

চাওথোই :- উম, ঐখোয়না অহানবদা ভারতকী সমুদ্র মপালশিংগী মরমদা হান্না সর্ভে ৱার্ক অমা তৌগনি মদুগীদমক ঐখোয় সমুদ্রগী মফমশিংদা চৎপা তাই।

মেমচা :- মোয়বাবা চা লৈজরে, অঙাংশা শে চা থকউসে, ঙাইখোনে নোয়বু কদাইৱাইদগীনো করি লৈকাইদগীনো মদুমদি খঙদ্রিনে ঐবো।

পোইরৈঙানবা :- মেদাম ! ঐখোয়দি স্বাইদগী নৎচদে, ঐনা ত্রিপুরাদগীনি অদুগা সনামচানা আসামগী হোজাইদগীনি।

মেমচা :- ওহ ! অদুদি নবানিদি হৌজিক কদাইৱাইদা লৈরিবা, হোস্তেলদা লৈবরো নত্রগা ভরাদা লৈবরো।

সনামচা :- হৌজিকপুদি হোস্তেলদা লৈজরি, মথং থাদগীদি ফাইনেল ইগজামসু লোইরগদবনিনা ভারাগী কা অমা থিরগা ইবানি পুন্না লৈমিন্নদুনা রিছার্চ ৱার্ক তৌথসি হায়না খন্নজরি।

চাওথোই :- মেমচা ! ঐখোয়গী য়ুম অসি মরাং কায়না চাওই, লৈবীনবা মীসু অমতা লৈতে, নচানুপীগা ঐখোয় অহুমতনি লৈরিবা অদুনা মথক্কী কা অমদা সনামচাগা পোইরৈঙানবগসে লৈহল্লসি হায়ববু নঙনা করি খল্লিবা।

মেমচা :- অদুদি য়াম্না ফবা ৱানিনে মোয়বাবা, ঐখোয়গীদি ইচানুপাসু অমতা পোকচদে, চাওখ্রবা য়ুমসিদা মোয়বাবানা লাপ্না চৎথোকখ্রগা ইমা-ইচাদা তরক-তরক লৈহৌবা মতমদা য়াম্না নুংঙাইতে, কীসু য়াম্না কী, ইবুংঙো অনিসি লৈরবদি অকী-তুজুংবসু লৈররোই, মী লৈজদবগী তুশোন-মানশোন্নবসু ফরনি। ইবুংঙো নবানি মীগী ভারাদগা লৈবা য়ারোইকো ঐখোয়দা ওইনা লৈরদবনি।

চাথোই :- অদুদি নবানি হয়েংসি নুমিৎসু ফৈ, হয়েংদগী হেক্তা লাকওনে।

পোইরৈঙানবা :- আ... সার... ঐখোয়না সারগীদা লৈবসিবু নুংঙাইগদরনে, সারহোয়দা অয়েৎপা ওইরোইদরা।

মেমচা :- করিগী অয়েৎপা ওইগদৌরিবনো, সিদগীদি ঐনা নবানিবু ইচা শক্লা য়েংশিল্লগদবনি।

সনামচা :- ঐখোয়গীদি লাইবক য়াম্না ফবনি অদুদি সার ঙসিগীদি ঐখোয় অমুক য়ৌজখ্রগে, হয়েং ঙন্তা লাকচরগে।

চাওথোই :- ফরে অদুদি নবানি হয়েং অয়ুক লাকওকো, হোস্তেলদগী নপোৎ-নচৈদু লোইনা পুরগা।

পোইরৈঙানবা :- অহোয় সার, অদুদি মেদাম ঐখোয় অমুক চৎচরে।

-ম্যুজিক-

(মফম: বজার মনুংগী লম্বী, মতম: নুংশা শাগৎলকপা মতম, গাড়ী ময়াম চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মখোল)

সনামচা :- অস ! বজারসিদি মীগী মী ঙাক্তা, গাড়ীগী গাড়ী ঙাক্তা লম্বী চৎফমগা অমতা খঙদে, নুংশানা মরোল অমা শাগৎলকপনে, চাকনা মরোল অমা লান্বনে মীৎকসে তন্দন পাইরে।

পোইরৈঙানবা :- চাকপুদি ঐসু ঙসাইনা লাল্লবনি অদো হায়সু হায়বনি মমাং চহিশিংদগী শাবগী চাংসে হন্দক্লা খঙহেন হেনগৎলকপগুম তৌই, নোং তাবগী চাংসু য়াম্না ৱাৎলে, নোং ফজনা তাদ্রবনিনা লৌ লিংবসু য়াদরে, মনা-মশিংসু অমতা ফজনা হৌদরে লোইনা তিনজং কাইজংলে। মালেমগী শাবগী চাং অসি অসুম-অসুম হেনগৎলক্লে, গ্লোবেল ৱার্মিং থোক্লে হায়বসি চুম্মীকো।

সনামচা :- উম চুম্মী, য়েংঙুদনা লম্বীসিদা চৎলিবা গাড়ী ময়ামসে, খোঙনা চৎপা মীগী মশিংদগীদি গাড়ীগী মশিংনা হেন্না য়াল্লমগদবা মাল্লি, চাওখৎলকপা হেল্লকপা, পৈশা পাইবা মীগী মীশিং য়ামখৎলকপা, নুংঙাইবা পাম্বা মী অসুম অসুম হেনগৎলকপাসিদগীনি ক্লাইমেট চেঞ্জ থোরক্লিসে।

পোইরৈঙানবা :- কৈনো সনামচা নঙনা ঙাঙলিদুবো মীনবু কমাইনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহনদোইনো, নঙনা হেক ঙাংথোরকপসিমা ওন্থোক ওন্থোকপা ঙাক্তা।

সনামচা :- অস ! ভাই নঙসিমা ওন্থোক্লা গ্যান তাখিদরে, ঐখোয় মীওইবনা তোংলিবা নুংঙাই-নুংঙাইরবা গাড়ী মখলশিং অসি থৌবা মতমদা ফোশিল ফ্যুলশিং মরুওইনা পেত্রোল অমদি দিজলগী মতেংনা থৌবা ঙাক্তনি, গাড়ীশিং অসিদগী অমুক গ্রীন হাউস গ্যাসশিং কার্বোনডাইওক্সাইদ, সলফর ডাইওক্সাইদ, নাইত্রোজেন ওক্সাইদনচিংবা টৌশিক গ্যাসশিং এটমোস্ফিয়ারদা থাদোরক্তুনা ইয়ার পোল্লুসন থোকহনবতা নৎতনা নুংশাগী মৈশাসু কা হেন্না চুপশিন্দুনা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবনি হায়বসিবু কাওরবরো নঙবো।

পোইরৈঙানবা :- ইহে চুম্মীনে, ঐদি মদুদি খনবু খল্লুদেনে নঙগী ৱা খুৎহায়দুদা ঙহাক্তং গ্যান মাঙলুবনিদা, মীওইবগী মীশিং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না লৈননবা য়ুম, লন্থী-থোং শেমগৎ শাগৎলকপা, চান্ননবা চীঞ্জাক দরকার লৈবগী চাং হেনগৎলকপা মরম ময়ামসিদগী উমং-ৱামংগী শরুক ময়াম অমসু মাঙহল্লকপা, উমং কোকথোক্লকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবনি।

সনামচা :- ইবানিগী ৱারিসে ফৈনা চৎখিদৌরে, সিগী ৱাসি তোকঅসি, হয়েং ইবানিবু কমাই তৌদোইনো।

পোইরৈঙানবা :- কৈনো হয়েং কমাই তৌবা হায়বো, হয়েং অমুক করি তৌদৌ লৈগে।

সনামচা :- পোইরৈঙানবা ! ঙসিসিবু নঙবু কৈদৌরগে ৱা অমতা মেন তানা ঙাঙনবা য়াদে, নঙগী ৱাখলদুবু কৈদৌরগে পুক্লিং ইচং চংদবদৌনা তৌরিদুবো?

পোইরৈঙানবা :- ওহ ! হয়েংদগী সারহোয়দা লৈবা লাকও হায়রকপদুরো, অদুবু হয়েং অয়ুক পোৎ য়োন্নগা কোক হেক চৎলগা লোইরবদুবো, নঙনা অদুক লুনা খল্লুরিদুবু করিগীনো।

সনামচা :- সারহোয়দা লৈবা হায়বসি য়াম্নবুদি ফবা অদুদা ...।

পোইরৈঙানবা :- অদুদা হায়ববু কৈনো, অদুদা অমুক কৈদৌরগে।

সনামচা :- সারগী মচানুপী লৈশাবীদো ঐদি য়াম্না হৈনদে, য়াম্নসু কীজে।

পোইরৈঙানবা :- অদুগী ওইরে নঙনা অদুক পাখৎলিদু, ঐসু তনবুদি তল্লি মদুগী লৈশাবীদু মাই কয়া চান্নগদৌবা মান্দে, হেরা ঐখোয়বু নুপামচা নৎতদৌনা নুপী মানা কৈদৌবা ঙমদোইনো য়েংনবা তারেদনা।

সনামচা :- হোয়দা থোক্লবা অমা লাকচরনি, তু অসিদা চাক হোটেল লৈরিসিদা চাক্তুম চাথোকখ্রসি লাকও।

পোইরৈঙানবা :- মদুনবু ফরে, চারুরসি লাকও।

-ম্যুজিক-

(মফম: চাওথোইগী য়ুম, মতম: অয়ুক, কোইলাং লাংনবগী মওং)

লীক্লাই :- ঐখোয় ইমাগা বাবাগনা ঙসাই অয়ুক ঙন্তাদগী মথক্কী কাসিদা অদুম লৈখ্রিসিবু, কৈদৌরিজাৎনো য়েংলুখিগে, মখাদা সুংকুম হেক কুমথরক্তে (শিরি কারকপগী মওং)... ইমা... বাবা কৈদৌরিনো ঙসাইদগী কাদুদা লৈরিদুবো করি তৌরিগে হায়বা। এ ! ফমুংগসু অনি থারল্লীশিনা করিগীনো, কনা লাকতৌ লৈগে?

মেমচা :- ঙরাং ঐখোয়দা লাকঅন্বা নখোয় বাবাগী ছাত্রা অনিদো হৌজিক লাকঅনি, ঙসিদগী ঐখোয়দা লৈরদৌনি।

লীল্লাই :- (শাওনা) কৈনো হায়রিসিবো মথোং মরমসু খঙদবা মখোয়বু করিগী ঐখোয়দা লৈহনগদৌরিবা, ঐদি য়ারোই হায়রিসিনিকো, লৈহনবা সুংয়া হেক য়ারোই।

চাওথোই :- ইপাগী সনাথোইবী অমুক্তা তপথখো, শাওগৎখিনু, ইপা ৰা হায়গেকো, সনামচা অমদি পোইরৈঙানবা হায়রিবা অনিসে য়াম্না ফবা, হোৎনবা কনবা, মপুকচেলসু শেংবা মীওই ঙাক্তনি, মখোয় তুংগী আশা য়াম্না লৈরিবা ঐনসু য়াম্না নুংশিজবা ঐগী ষ্টুদেন্তনি, মখোয় অনিগা পুল্লগা ইপানা পাংথোক্কে খনবা থবক ময়াম অমসু লৈরিকো।

মেমচা :- মখোয় অনিসে লাপনা ঐখোয়গী ইরমসিদা লাইরিক লাইশু তম্বা লাকচরিবনি, ঐখোয়গীদি কনাসু লৈজদে, নঙগীসু নবুং অমা নৌপ্পা অমা লৈবা নৎতেদো, মখোয়না ঐখোয়গীদা লৈবা হায়বসে ঐখোয়দসু ফগদৌরিবনি, ঐখোয়গী ইতেং ওইনগদৌরিবনি।

লীল্লাই :- খঙদে খঙদে ঐদি য়ুমদা মীতোপ লৈহনবসে শুংপাম পামদে হায়রিসিনি। ইমাবু চাকপু থোঙলবরো, ঐ কোলেজ ঙন্না কাগদবনি, চাক নঙজরোইকো, চাক হেক নঙদবদা ঐদি য়ারোই হাযরিবসিনিকো।

চাওথোই :- চাকতু ঙসিদি নঙ খরা থোংগৎলল্লোদনা, নমাগা ঐগসু কা লোইশিনবসি লোইরক্কদৌরে, নবুং অনিসু য়ৌরকঅনি ঐখোয় পুন্না চাক চামিন্ননবা।

লীল্লাই :- (শাওবা) এ ! কনাগী ইবুং, ঐগীদি ইবুংগা অমতা লৈজদে, নোয় অদুম হাওনা থোংলগা চামিন্নজহৌরো, ঐগীদি ঐনা থোকপা অদুম তৌজখ্রগে, ঐ চৎলে নোয় নুংঙাইনা লৈমীন্নজহৌরো ... ঐ চৎলে হায়রিসিনি (গাড়ী থৌখিবগী মখোল)।

মেমচা :- (পাখৎপা) কৈনোনে মসিবো, হায় লীল্লাই ঙায়খোনে নঙবো চৎখিনু হায়বনি ... ঙাইখো হায়বনি নঙবো... ইবেম্মা ... লীল্লাই ... ওন্থোকপনিদকো মসিগী নুপীমচাসি।

চাওথোই :- ঙহাক লৈরগা অদুম হঞ্জিনজরক্কনিদা, মানা কদাই য়ৌনা চৎকদৌরিবনো, পাখৎকনু করিসু তৌরোই, মচিন্দা ঙহাক পংঙাং ঙাংজবগী ৰানি, ঐনা ইচানুপীগী মগুন চপ চানা খংঙী, লাকও ঐখোয়না লোয়শিনগদবা থবক্তুম লোইশিন্নবা তৌরসি।

মেমচা :- খঙদ্রেদা করম থোক্লগদবা, ঐখোয়নদি খরা ফগদরা হায়না শিল্লিবা, থবকসিনা হেন্না ফৎতবা ওইরক্কুনা মীয়াম মমাংদা চোপ্পরা খঙপোৎ নৎতে।

চাওথোই :- নঙসু অমুক্তা ঙাইখো কৈদৌগে, নচিন্দু ঙহাক্তা লেপ্পে, চবেং-চবেং ইচানুপীনা মরোল অমা ইশৌ লাংবনে, ঐ কোক্কসে লোয়না ঙাওরে তৌফম অমা খঙলক্তরে।

পোইরৈঙানবা :- (মপান্দগী) সার ... সার... ঐখোয় লাকএ, গেটসি অমুক্তা হাংবীয়ু।

সনামচা :- সারগী মচানুপীদু ওইনা থোরকঅদি কমদৌনি, লৰাই লুতোনসিদা তাপ লাক্লকঅদি, ইস ঐদি ওন্থোক্লা তনখরে, কপ্লাক্সে লোয়না নীক্লে।

পোইরৈঙানবা :- (নোকপা) নঙগী হৌনবীদু অমুক হৌরকঅবা মচানুপী ওইনা থোক্লকঅগা কৈদৌনেগে, নঙগী নথৌ লৈবরা, ঐখোয়দি সারনা লাকউ হায়বগী লাকপীবনি কোক খুল্লগা লোইরবদুবু।

চাওথোই :- নখোয় লাকঅবরা, গেটতি ঙসাইনা হাঙদুনা থল্লবনি, লাকও লাকও চংঙসি লাকও্

সনামচা :- সার ঐখোয় পোৎ লোইথোক-লোইশিন তৌরিঙৈদা খরা থেংদোকখরে।

চাওথোই :- নখোয়গী নপোৎ নচৈশিংদো আ মথক্কী কাসিদা লোয়না পুখৎলো, নবানি লৈনবা হায়দুনা ঙসাইদগী নমাগা ঐগনা শেংদোক্লিবনি।

পোইরৈঙানবা :- সারহোয় ৱানবা কৈদৌবগী তৌবীরুরিনো, ঐখোয়না অদুম তৌজরসু য়াবদুবু।

মেমচা :- নোয় লাকএদনা, লাকও লাকও কাখৎলকও, ইমাসু চাক থোংনবা অমুক্তা তৌরুখিগে, নখোয়সারগা ঙহাক চাক ঙাইবা ওইনা ৱারি-ৱাতাই তৌরন্মু, অদো ইচাশিংবু করি এঞ্জাং চানিংবা, নোয়না চানিংঙি হায়বদো হেক্তা থোংলদবনি।

সনামচা :- মেদামহোয়না পীজবা অমা হেক্তা য়াইদা।

মেমচা :- ঙসিদগীদি নখোয় ঐঙোন্দা মেদাম কৌরগনু, ইমা হায়না কৌগদবনিকো

পোইরৈঙানবা :- অহোয় মেদাম... আ ইমাইবেন্মা ঐখোয় সারহোয় ইমাইবেন্মহোয়না পামদবা য়ানিংদবা থবক অমতা তৌজরোই।

মেমচা :- অদুদি ইচাশা খামেনশিনবগা ঙাফক্কা থোংলসি, পানগা থাংজিংগা অমা হেক্তা ইরোনশল্লুরগে।

সনামচা :- অহোয় ইমাইবেন্মা, অদো সারনা ঙরাং হায়খিবা প্রোজেক্ট অদুবু করন্বা মতমদগী হৌগদৌরিবনো?

চাওথোই :- য়াম্না থুনা হৌরগদবনি, অহানবা ইনস্টোলমেন্টগী শেনফম হেক সেঙ্কসন তৌরকপগা হেক্তা হৌরদবনি।

পোইরৈঙানবা :- সার সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় ৱাংখৎলকপগী মরমসি করি করিনা ওইবা য়াই।

চাওথোই :- সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় হেনগৎলকপগী মরুওইবা মরমশিংদি গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা সমুদ্র ঈশিং শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী থর্মেল এক্সপানসন তৌরকপা অমদি গ্লেসিয়রগী শরুকশিং শৌদোরক্তুনা সমুদ্রদা চেন্থরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় অসি ৱাংখৎলক্লিবনি।

| | | |
|---|---|---|
| সনামচা | :- | সার, গ্রীনলেন্দ অমদি অন্টার্টিকাগী উনগী শরুকশিং শৌদোরকপনা সমুদ্র ঈশিংগী ইমায় অসি ৰাংখৎলক্লবা মরম অমসু ওইরিবনিকো। |
| চাওথোই | :- | উম য়াম্না চুন্মী। গ্রীনলেন্দ অমদি অন্টার্টিকাগী উনগী শরুকশিং অসি হৌজিক মালেম অসিগী শাবগী চাং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না শৌদোরকপগী চাংসু অসুম অসুম ৰাংখৎলক্লি, হৌজিক্কী চহি চা অসিগী অরোইবা মতম অদুৰাইদদি সমুদ্র ঈশিংগী ইমায় অসি চাওরাক্লা সেন্টিমিটর ৬০রোম হায়বদি ফুট অনিরোমগী চাং হেনগৎলক্লগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রি। |
| পোইরৈঙানবা | :- | মালেমগী মফমশিংদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ওসিনগী শরুকশিং অসিগী ইমায়শিং ৰাংবা হেনগৎলকপগী চাং অসি চপ মান্নবরা সার। |
| চাওথোই | :- | মান্নদে, মফম খরদনা খরা হেন্না ৰাংখৎলকপা অদুগা মফম খরদনা ৰাংখৎলকপগী চাং অসি খরা নেম্মী। কালিফোর্নিয়া অমদি ফ্লোরিদাগী সমুদ্র ঈশিংগী ইমায় অসি অন্টার্টিকাগী উনগী শরুকশিং শৌদোরকপদগী ৰাংখৎলকপগী চাং অসি অতৈ অতোপ্পা সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় ৰাংখৎলকপগী চাংদগী চাদা ৫২ রোম হেল্লি। |
| সনামচা | :- | সার ঐখোয়গী ভারতকী সমুদ্র ঈশিংগী ইমায়শিং অসি ৰাংখৎলকপগী মরমদসু খরদং খঙজনিংঙি। |
| চাওথোই | :- | মালেমগী অতৈ মফমশিংগী সমুদ্র ঈশিংগী ইমায় ৰাংখৎলকপগী চাংদগী ভারতকী সমুদ্র ঈশিংগী ইমায়শিং ৰাংখৎলকপগী চাংনা য়াম্না হেল্লি, মরম অসিনা সমুদ্র মপান্দা লৈবা মীওই কয়াগী মপুন্সি খুদোংথিনিঙাই ওইরক্লি। |
| পোইরৈঙানবা | :- | এ ! অদুদি সার হায়রিবসিনদি সমুদ্র মপানগী অকুৎপা মফমশিংদি মতম খরগী মতুংদদি ঈশিং থুমজিনখিদুনা মী লৈবা য়ারক্লোইদবগী মওংনিনে। |
| চাওথোই | :- | উম মানি, ৰেষ্ট বেঙ্গলগী গেঞ্জেটিক দেল্তাদা লৈরিবা দাইমন্দ হার্বর পোর্ট, হীথাংফম অসি ইং ১৯৪৮দগীনা ইং ২০০৪ ফাওবগী মতমসিদা চাওরাক্লা চহিদা মিলিমিটর ৫.১৬ রোমগী চাংদা হেনগৎলি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ আর্থ সাইন্সেসকী রিপোর্টকী মতুংইন্না হায়রি। মসিদসু নৎতনা গুজরাটকী কান্দলা পোর্টসু ইং ১৯৫০দগী ইং ২০০৫ ফাওবদা চহি খুদিংগী মিলিমিটর ৩.১৮ রোমগী চাং ৰাংখৎলি অদুগা হালদিয়া পোর্ট হায়বদি বে ওফ বেঙ্গলগী সমুদ্র খোঙবাল মনাক্তা লৈবা হীথাংফম অসিসু ইং ১৯৭২ দগীনা ইং ২০০৫ ফাওবদা মিলিমিটর ২.৮৯ মেগী চাং হেনগৎলে হায়না হায়রি। |
| সনামচা | :- | সার অদুদি ভারতকী সমুদ্র ঈশিংগী ইমায় ৰাংখৎলকপগী চাং অসি য়াম্না ৰাংলেকো। |

চাওথোই :- ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (আই.পি.সি.সি) গী রিপোর্ট মতুংইন্না মালেমগী ওইনা সমুদ্র ঈশিংগী ইমায় ৱাংখৎলকপগী চাং অসি চহিদা মিলিমিটর ১.৮ রোমনি হায়না হায়। ইং ২১০০দদি হৌজিক হেনগৎলিবা চাং অসিদগী শরুক অনিরোম হেন্না হেনগৎলগনি হায়না পানরি অদুগা ভারতকী ওইনা হৌজিক্কী চহি চা অসি লোইরকপদদি মিলিমিটর ৮৬৪মুক হায়বদি ফুট ২.৮ রোমগী চাং য়ৌরগনি হায়রি।

মেমচা :- চাক থোঙবদি লোইরে, হৌজিক ফাওবা নচানুপীদুবু হঞ্জিল্লক্ত্রিবসিবু কদায়দা চৎখ্রবজাৎনো, কোলেজলোমদা অদুম চৎখ্রবজাৎলা খঙদ্রেনে, শাওরি শাওরি মাগী গাড়ীদু থৌখিবদুবু ঐদি ইপা হেক পাখৎলেদা, করি তৌরবাজাৎনো খঙদ্রেনে।

চাওথোই :- ফোন্দু তৌরগা হংঙুদনা কদাইদা লৈগে হায়দনা।

মেমচা :- ফোন্দি ঙসাইদগী তৌরিবনিনে, রিংদি অদুম চৎলি শুংপাই পাইরক্তে অদুদনিনে ঐনা পাখৎলিসে।

চাওথোই :- ঙাইখো ঙাইখো অমুক্তা পাখৎখিনু, মমান্নবীশিংদা ফোন তৌরগা অমুক হংখিসি।

মেমচা :- (ফোন রিং লাকপা) কনাগী ফোননো লাকইসিবো, নম্বরসিসু সেব তৌবা নম্বর নৎতেনে, ইস ! কনা ওইরিজাৎনো।

চাওথোই :- অমুক ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক ফোনদু কোক রিসিব তৌবা য়াদবরো।

মেমচা :- হল্লো... আ কনা... কনা ওইবিরবনো, হা করি হায়বা... করি হায়বা, ঐখোয় লীল্লাইবু এক্সিডেন্ট থোক্লে হায়বা ... আ ... উম... হোয়... ঐখোয় য়াম থুনা লাকচরগে।

চাওথোই :- কৈনোনে মমা, কৈদৌরে হায়বনো , ইচানুপী কৈদৌরে হায়বনো (পাখৎনা)।

মেমচা :- হা ... মাগী গাড়ীগা অতোপ্পা মীগী গাড়ীগা থেংজিন্নদুনা শোক্লে হায়এ, লাকও হোস্পিটালদা চৎসি লাকও।

চাওথোই :- করিনোনে হায়রিসিবো, হায় সনামচা ... পোইরৈঙানবা লাকও অমুক্তা থুনা চৎসি লাকও।

সনামচা :- সার লাকপিরো চৎলসি।

পোইরৈঙানবা :- সার গাড়ীসে ঐ ওইনা হেক্তা থৌরগে, লাকপীরো। চৎসি সার (গাড়ী থৌখিবা)।

-ম্যুজিক-

(মফম: চাওথোইগী য়ুম, মতম: নুমিদাংৱাইরম, নুংশিবা ঈশৈ তপ্লপ খোঙবা)

লীক্লাই :- অয়ো... অয়ো... ইস ! খোঙসিসু তেক্লবনিনা মতম খরদি য়ুমদগী মপান থোক্তনা কাসিদা অদুম লৈবা তাবনিনে, শাওরি শাওরি গাড়ী কন্না থৌজরমদ্রদি খোঙসিসু তেকচরল্লোইদবনিকো।

মেমচা :- সে সে হীদাকসি অমুক্তা চাশিল্লুসে, ইচাসিদি থুনা ফজনিদা, খোঙজেংগী শরুসি খজিক্তং ক্রেক চৎলগা অতে থোইদোকপা শোকহৌদ্রিবসে য়াম্না ফরবনি, ঈশ্বরনা কনবিরবনিকো।

লীক্লাই :- ইমা ! ঐসে মী উশিৎতবগী লাইনা ৱারকইবা ওইরমাল্লে, সে খোঙসি খজিক্তা লেংগে অমুক্তা পাইবীরকও।

মেমচা :- সে সে য়ারবরা, সুমাইনা থম্বসিনা খরা নুংঙাইবরা য়েংঙো।

লীক্লাই :- উম য়ারে, অদো বাবাদি কদায়দা চৎখিগে ?

মেমচা :- নপাদো নবুং অনিগা শরুগী দোক্তর স্পেসিয়েলিষ্ট অফবা অমা উন্নরুনি হায়দুনা চৎখিবনি, হনবু হল্লকঅনি। ইবেম্মা, নবুং অনিসি লাকঅমদ্রবদি নপাগা ঐগতা তৌফম খঙদদনা ওন্থোক্লা ৱারমখ্রনি, মী লৈজদবা ঐখোয়গীদি মখোয় অনিসে ঈশ্বরনা থাবীরকপগা চপ মান্নখরে, মখোয় অনিনা কোইচেন চেন্দুনা নঙগীদমক্তা হোৎনজবশিংদো নীংশিংলুরগা ইমাদি নঙগী হেক পোকমীন্নবা নবুং অনি ফংজরে খল্লিবনি।

লীক্লাই :- ইমা ঐসে য়াম্না পংঙিকো, ঐনা মখোয় অনিনা ঐখোয়দা লৈবসে ঐখোয়দা অয়েৎপা ওইগদরা খন্দুনা য়াম্না শাওনিংলুবনি অদুবু মখোয়দি ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা লাকপগা চপ মান্নখরে।

চাওথোই :- ইবেম্মা... লীক্লাই... ইচা থোইবী ইচাবু কৈসু তৌদ্রবা নৎতরো।

লীক্লাই :- বাবা, ঐ কৈসু তৌদরে য়াম থুনা ফরনিদা, ঐনা বাবাহোয় য়াম্না ৱাহল্লে।

চাওথোই :- ইপা কৈসু ৱাদেদা, ইপাদি লাইরি নবুং অনিসে য়াম্না ৱাজরবনি। হায়মা কৈদৌরে নবানিদি থোংজিন ময়াদুদা অদুম লেপ্তুনা লৈরদি, মনুংদা চংঙকউনে, লাওনে সনামচা... পোইরৈঙানবা নোয়বু সিদা চংলকউনে।

পোইরৈঙানবা :- সার, ঐখোয় স্বাইদসুম লেপচগে য়ানিদা।

সনামচা :- সার য়ারনিদা ঐখোয়, ঐখোয়গী কাদা ওইনা চৎলগে।

লীক্লাই :- দাদা সনামচা... দাদা পোইরৈঙানবা লাকও ঐগী নাক্তা লাকও, নোয় ঐনা মথোং মরম খঙদনা পঙাংদা ঙাংখিবদুদা ঐবু ৱারৌরবরো, নচল ঐবু শাওরবরো।

পোইরৈঙানবা :- শাওদে, করিগী শাওদোইনো, ঐখোয় করিসু নঙোন্দা ৱারৌবা অমতা লৈতেয়ে।

সনামচা :- লীক্লাই ! নঙ নাবা থুনা ফরোকো।

লীক্লাই :- ঐনা নাবা ফরগা দাদা নবানিনা ঐবু কোলেজ কাবা থীনবীয়ুকো, ঐগীদি হৌজিক্তি ইবুং অনি লৈরবনিনা করিমতা অকীবা লৈতরে।

পোইরৈঙানবা :- উম, থীনবীদোইনি, ঐখোয় অনিগীসু ইচল অমতা লৈজদে, হৌজিক্তি ইচল অমা ফংজরে।

লীক্লাই :- বাবা ! বাবাগী প্রোজেক্ট অমা তৌনি হায়বদুগী সর্ভে ৱার্ক সমুদ্র মপানশিংদা চৎকনি হায়বদো কদাই কদাই মফমদা চৎকদবনো।

চাওথোই :- ভারতকী সমুদ্রগী কোষ্টেল এরিয়া অয়াম্বা লোইনা চৎকদৌরিবনি, উটকাল, অন্ধ্রা, কোনকান, মালাবার, কোরামন্দল অদুগা অতৈ-অতৈ মফমশিং লোইনা চৎকদৌরিবনি। করিগীনো নঙনা হংলিদুবো।

লীক্লাই :- সুম খঙনিংদুনা হংবনিদা, বাবা ইথন্তা চৎতোইরো।

চাওথোই :- এ ! ঐদি করিগী ইথন্তা চৎকদৌরিবা, নবুং অনিগা চৎকদৌরিবনি।

লীক্লাই :- অদো ঐসু লাক্কে হায়বা।

মেমচা :- ঐ ইথন্তা থল্লম্বদি য়ারোই, ঐসু লাক্কনি।

সনামচা :- অদু ওইরগনা ঐখোয় পুল্লপ য়ুমসি শো লোনশিল্লম্লগা লম কোইবা ওইনা চৎপা তারেদনা।

পোইরৈঙানবা :- উম মদুনা ফরনি, ফনদুম নুংঙাইনি ঐখোয় পুল্লপ চৎলদি।

লীক্লাই :- অদো ঐগী খোঙসিদি কমায় চৎতোইবা।

চাওথোই :- খোঙ নাবা ফরগা চৎপা তারেদনা, নাবা থুনা ফনবা হায়বা ইনবা তাবা।

লীক্লাই :- হোয় ঐ সিদগীদি লম হেনজররোই, হায়বা অদুম ইনজরগে।

ময়াম :- (নোকপা)

-ম্যুজিক-